## শোক্লরিবা লান অসি মীতৈ মশেল ৱাখল ...

*লামায় ১গী মখা...*হায়বসি থেংনরমগনি হায়রকখি।

ঐখোয়গী লোলদদি মীয়ামগী ঈহৌ হায়রগা ৱাহন্থোক অমখক্তনি অদুবু ইংলিসকুম্বা অতোপ্পা লোলদদি মীয়াম হায়বসিগী ৱাহন্থোক অনী থোকই। ৱাহন্থোক অমনা 'মাস' হায়রগা অতোপ্পা অমনা 'মোব' হায়বা অসিনি। অনীসিগী খেন্নবসি ঐখোয় পূন্নমক্না খঙমিন্নবা চঙই। ৱাহন্থোক মান্নবা মাল্লবসু 'মোব' হায়বসিনা ৱাখল খন্থহৌদনা ঙাইহাক্কী অনীংবা অপান্থনা অমসুং অশাওবনা মাঙ থাদুনা ষণ অঙাওবদৌনা তৌরকপদুনি। 'মাস' হায়বসিদি মীয়াম পূন্নমক্তগী অপূনবা মান্নবা লিচিং অমগী মখাদা থোরকপা ঈহৌনি। তশেংনা মোব জষ্টিস অসি থায়নদগী লৈরকপদি নত্তে। ঐখোয়না তুং হন্না নীংশিংদুনা য়েংবদা হিংনবগী লম্বী মথৌ তারকখিবদগী অমদি পোলিটিকেল ইনসিক্যুরিটি লৈখিবদগীনি হায়না হায়রকখি।

পূন্নমক অসি ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দর কায়রকপা অমসুং রুল ওফ লো লৈরক্তবদগী মীয়াম্না মখূৎতা পাৱর পায়রক্তুনা ৱায়েল চথবগী ফীভম য়ৌরকখিবনি। মতম অমদা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সিগী অরানবা থৌওংশিং অদুনা মীয়ামগী থম্মোয়দা মোব জষ্টিসকী মমি তহল্লকখিবনি। মণিপুরগী জ্যুদিসরি অমসুং হ্যুমেন রাইট্স পূন্নমক লৈতবগা পাঙ্খকনহনখিবনি। মতমদুদগী মৈরা পায়বীগী ঈহৌনা মণিপুর শিন থুংনা চাওথোরক্তুনা মীয়ামগী পুন্সি ঙাক শেনবগী অচৌবা থৌদাং লৌরকখি অমসুং ইন্সর্জেন্সিগী প্রোব্লেম খরা ঈংথখ্রবা মতুংদদি মীয়ামগী ৱায়েল অসিনা করম্বা মায়কৈদা লাকখ্রবগে হায়বসি কূপ্না নৈননীংঙাই ওইরি হায়রকখি।

মীয়ামগী ৱায়েলগী কান্নবা অমসুং কান্নদবা লোইনা থেংনখ্রে হায়রদুনা খুদম ওইনা মৈরা পায়বীশিংনা লৈকায়বু অহিং য়ারেক্তুনা ঙাক শেল্লগা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সিগী মীংদা লান্না ফাজিনগদবা নহা কয়াগী পুন্সি কনখি অমসুং অফস্পাগী মরুমদা মতম অমদা মণিপুরদা ফেক এনকাউন্টর কয়া মায়োক্নখ্রে। অদুবু মৈরা পায়বীশিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্ত মাঙখ্রগদবা নহা কয়াগী পুন্সি ফাওবা কল্লকখিবনি। অমরোমদা নুপীনা নুপীবু ওৎপা অমসুং নমথবা, মোরেল পোলিসিং চথরকপা, মশাগী লৈজরিবা হকপু মোব জষ্টিসনা অকায়বা পীবগী থৌদোকশিংসু থোক্তবা নত্তে হায়রকখি।

মরাল লৈজদ্রবা কয়া অমা মোব জষ্টিসকী ভিক্টিম ওইদুনা হিংবা য়াওরি। মীওইবনা খুন্নাইসিদা হিংলিবমখৈ মীয়ামগী ঈহৌ লেপ্পা লৈরোই। তৌবতবু মতম হোংলকপগী মতুংইন্না মীয়ামগী খূৎতা লো পায়শিন্দুনা ৱায়েল চথবগী মহুত্ত জ্যুদিসিয়ারিনা ৱায়েল চথজবনা অচুম্বা লম্বী ওইগনি হায়রকখি।

মসি নত্তদুনা চিংনবা অমসুং অকিবনা মাঙ থারগা তুং-মাং য়েংদনা, ৱাহং পাউহং তৌদনা খূৎ থাবগী থবক তোয়না চথরক্লবদি ঐখোয় মশেলগী মরক্ত ৱাখল তান্নদবা হেনগৎলক্তুনা মীয়ামগী ঈহৌ মায়ওন অমদা চৎখিবা য়াই। পূন্নমক শেমদোক্তুনা ঐখোয়গী মাস মুভমেন্ট শাগৎলসি। ঐখোয় ঈশাগী মমল শেলনা লেপহনগুমসি অমসুং শেলনা লৈবা য়াহল্লগুমসি। থেংনরিবা লান অসি লায়রবা, লৈজদবা খক্কী লান নত্তে, মীপূম খুদিংমক্কীনি, ঈনাক-খুনবা, শেল পায়বা ময়ামগীসুনি হায়নসু ফোঙদোক্লরখি।

## ৱার ওন বি জে পি নন ভাইওলেন্স কেম্প্যেন কম্মিটি...

*লামায় ১গী মখা...* চোংথোকপীখিদে। মদুগী মৈরি-মৈচাক কোকত্রি। হৌজিকসু মী লিশীং ৬০ লাঞ্জেন্নদুনা লৈরি। ইচা কয়া হাৎলকপগী পেন্নদ্রি। ম্যান্মারদা চেনশিনখিবা মীতৈশিং লৈরি। মিজোরামদসু চেনশিনদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরি অদুবু ঙসি নুমিৎ ৫৪নি শুরক্লে হায়রদুনা মীয়াম্না হা-কা লাওদুনা লৈরিবনি। মসি ফাওবদা লৈঙাক্লোইশিংনা মতোন্দগী হৌরগা মখোঙ ফাওবদা মশা মশাগী হিংননবা হোৎনদুনা লৈরে হায়খি।

ঈরাং থোক্লকপা নুমিৎ ২৫নি শুরকপদা অমিট শাহ লাকপীরম্মী। অচৌ অশাং লাক্লবদি করিগুম্বা খরা তৌবীরক্কনি খল্লম্বনি অদুবু চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী, মোরেদা চৎলগা খোঙচৎতুনা করি হায়রিবনো খঙদবা, অরোনবা এজেন্দা অমগী মরুমদা পাঙথোক্লম্লগা হনখিবনি। মহাক চৎখ্রবা মতুং কোন্নথংদা পিছ কম্মিটি শেল্লকপদা নোংঙাল্লগা মশা খঙদে হায়দুনা তোক্লখ্রে। মসিদসু নত্তনা এম এল এ/মিনিষ্টরশিংনা দেল্লীদা চৎতুনা প্রাইম মিনিষ্টর উন্নবা এপোইন্টমেন্ট পীবিয়ু হায়বদা পীরমদনা অমেরিকাদা চৎখ্রে। মণিপুরদা চাক্লিবা মৈ, থোক্লিবা মীশি মীনা অসি উদনা যোগগীদমক ফোরেনদা চৎখি।

মসিনা ঐখোয়দা নীংশিংহল্লে হায়রদুনা বি জে পিগী মেনিফেষ্টোদা হাপখিবা অহানবা নেসন, নরৈবাক্কী খনগদবনি, অনীশুবদা পার্টি য়াওগদবনি হায়বনি। মেনিফেষ্টোদা য়াওরিবা অদুগী মতুংইন্না চৎত্রে। মরমদি য়ূম মৈ থাদুনা লৈফম লৈতবা, ইচা ইশু কয়া মৈনা চাক্তুনা শিবা অমসুং হাৎলকপদগী ইমা ইবেলশিংনা সরক্ত য়ারেক্লক্লি। মসিদা সেন্টরদগী থারকপা আর এ এফনা মীতৈদা ওনশিল্লগা ফূরকপা, নোংমৈ কাপ্লকপা, য়ূম মৈ থারকপা য়াওরে। এ আরসু কুকিগী মীচং চঙদুনা লৈরে। মীতৈশিংগী লাইবকসি মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু মীচং চঙবীদ্রে। ইন্দিয়ন আর্মিনসু চঙদ্রে। মরম অসিনা ইরৈবাক ইরমদমগা পার্টিগা কনানা হেন্না লুবগে হায়বসি ইশা খক্ত নত্তনা মীপূম খুদিংনা হংনরিবা মতমনি হায়খি।

পার্টিদগী ইমা লৈবাক্লা হেন্না লূম্মী হায়দুনা থবক তৌগদবনি। বি জে পি য়াওরুবগী করি কান্নরি খন্দুনা পার্টি অসি থাদোকপা তাবনি। ঙসি ঐখোয়না থোল্লিবা মমিং অসি ৱার ওন বি জে পি নন ভাইওলেন্স কেম্প্যেন কৌই। কেম্প্যেন অসি বি জে পিনা পীবা খুদোলনি। ভাইওলেন্স য়াওদনা বি জে পিদা চঙবা লাঞ্জংনি। ঙসিদগী বি জে পিগী মেম্বরগী কার্দ পায়রিবশিংনা কার্দশিং অদু পাক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনগদবনি। লৈঙাকলোইশিংগী থৌওং অসি মচা মশুশিংনা মণিপুরগী ৱাংমদা থৈদোক্লগা থম্বা অদুগা লান লোইরগা পুশিল্লক্কে হায়বগী মওংনি হায়খি। লায়রবা, শু নোমদুনা হিংজরিবা মীচমশিংনা লান থেংনবনি। হৌজিক রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওই লিশীং ৬০ অসিগীদমক লৈঙাকলোইশিংগী ময়ূমদা রিলিফ কেম্প হাংলগনি। মণিপুরগী দিভেলপমেন্টগী থাদরকপা কয়া য়াওনা শেল কয়া নাথৈদুনা থল্লগা লৈখিবা লমশিং, ইস্কোল, লৌ অমসুং মফমশিং অদু ময়ূম মৈ থাদুনা লৈফম লৈত্রিবশিং অসিগী ওইনা নমদুনা য়ূম শারগা লৈহনগনি। ফীভম অসি বি জে পিগী ইন্দিয়া লৈঙাক্ত তানবা খোঙজংনি। ফারবসু হায়গনি হায়খি। লোয়ননা সু লৌথোক্নদবনি, এন আর সী চৎনহল্লু অমদি এস টি লিষ্টতা মীতৈ চনগদবনি। মণিপুরদা লৈঙাক অনী লৈবা য়ারোই হায়বনচিংবগী ইহুল লাকপদগী বি জে পিগী মেম্বর ওইবদগী তোকপনি হায়খি।

## কেন মণিপুর বোষ্টোন ...

*লামায় ১গী মখা...* মীরোলগীদমক ঈং-তপ্পা লমদম অমা ওইহল্লম্বা মথৌ তারি হায়বনচিংবা ৱাফমশিং ফোঙদোকপগা লোয়ননা হৌজিক ষ্টেট অসিগী ওইরিবা ফীভমশিং অসিনা মখোয়গী থম্মোয়শিং কায়হল্লে হায়রি। ডা. ইরেংবম মোহেন্দ্রোদি চহী ৫০ হেন্না য়ু কেন্দা লৈরক্লবসু চহী খুদিংগী মণিপুরদা লাকই। মমাঙ চহী ২০২২গী সেপ্টেম্বরদা মণিপুরদা লাক্লম্বদা চুড়াচান্দপুর মেদিকেল কোলেজগী ফর্ষ্ট সেমিষ্টরগী মহৈরোয়শিংগসু উন্নখি হায়রদুনা মহাক্কী মীতৈ, তঙ্খুল, কবুই অমসুং কুকি মরূপ মপাংশিং য়াম্না লৈ হায়নসু ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা য়ান্নদবা অমসুং নুংশিনদবা পূন্নমক থাদোক্লরগা থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসি লেপহন্নবা ৱারী শান্নদুনা শন্তইনবা পুরকপীয়ু। মহাক মণিপুরদগী লাপ্পা লৈরবসু মতম পূন্নমক্ত মণিপুরবু নুংশি অমসুং মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মীয়াম্লসু নুংশি হায়নসু ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা কেন মণিপুর বোষ্টোন (য়ু এস এ)গী মায়কৈদগী মীওইশিং অসিনা থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসি লেপহনবীদুনা নুংশি চান্ননা অমত্ত ওইনা লৈমিন্ননবা হোৎনবীয়ু হায়নসু মখা তানা আপীল তৌরক্লি।

## চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন হোম মিনিষ্টরনা কৌবদগী...

*লামায় ১গী মখা...* মিনিষ্টরনা থবক তৌরিবনি হায়না অমিট সাহনা য়াম্না ময়েক শেংনা ফোঙদোরকখি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগা উন্নরকপদা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি লাকশিন্দুনা মতৌ করম্না ঈং-তপ্পা পুরক্নদগে হায়বগী ৱাফম কয়াদা ৱারি শান্নখি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা হান্না চীংয়া তময়াদা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক খরা লেপখ্রবা মতুংদা ইম্ফাল মনুংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোক্লকপা অসিদা নুংনাংবা ফাওহৌরি। য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর আর কে রঞ্জনগী য়ূম মৈ থাখিবা, মিনিষ্টর সুসিন্দ্রোগী য়ূমদা এটেক্ট তৌনবা হোৎনরকপা, লম্বীদা চুম্না চৎচবা নুপী ফাওবা তমথিনা ফুবিদুনা হাৎকে হায়না ফাওবা তৌরকপগা লোয়ননা লৈঙাক্কী প্রোপর্টি কয়া মৈ থারকপা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। মসিনা মরম ওইরগা ঐখোয়না মায়োক্লগদৌরিবা অদু নাথৈরগা চৎখিগদৌরে হায়খি।

সীক্যুরিটি ফোর্সশিং মথৌ তৌহল্লক্তবসিনা লৈঙাক্কী থৌরাং-থৌশিলদা অকায়বা পীরে। সীপরেট এদমিনেষ্ট্রেসন তাল্লক্লিবা অসিদা ঐখোয় পুন্না থেংনগদবগী মহুৎতা ঐখোয় মশেল মশক খঙনরক্তবা অসিনা মরম ওইরগা চমম্নবা ফাওহল্লে। লোয়ননা তম্পাক্কী লমদা লৈরিবা মীওইশিংনা ঐখোয়না মায়োক্লগদৌরিবা অসি করিনো হায়বদু খঙদ্রে। ঈরাং অসি নেমথহন্নবগীদমক লৈঙাক্লা লৈবাক ঈরাং থোক্লবা হোৎনবা মীওই ১০ রোম ঙরাং ফাবা হৌরে। থোক্লিবা ঈরাং অসি নেমথনবা তৌবা য়াবা অমদি পাঙথোকপা য়াবা থবকশিং পাঙথোক্লবা য়াম্না কন্না খন্নরি। লোয়ননা ঈরমদম অসিগী এম এল এ, মিনিষ্টরশিং অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা পুল্লগা য়াম্না কুপ্না ৱারি শান্নদুনা মীয়াম্না পাল্লিবা অসি করিনো হায়বদু চপ চানা খঙদোক্লবা হোৎননবগী পাউতাকসু পীরকই। লোয়ননা চীংদা লৈরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চথরকপা থবক খুদিংমক য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর মশামক্লা থেংনগনি হায়বগী চপ চাবা থাজবসু পীরকখি।

হৌজিক্কী মতম অসিদা পোলিটিক্স তৌনবগী মতম নত্তে। মরম অদুনা তম্পাক লমদা ঈরাং মখা তানা থোক্তনবা অমুক্তং ফম্মীন্নদুনা ৱারি ৱাতাই শান্নদুনা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি। লোয়ননা চীংগী ইচিন-ইনাওশিংদসু হৌখিবনা হৌখ্রবসু হৌজিক্তি ঈং তপ্পা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়না আপিল তৌজরি। লোয়ননা ঈরাং থোক্লকপা য়াবা মফম ১৪৭ খঙদোক্তুনা সীক্যুরিটি মতিক চানা থমখ্রে। ঈরাং থোক্লকপা য়াই হায়না চিংনবা মফমশিং অদুদা হৌজিক পেরামিলিটরি ফোর্স লিশিং ৪০ অমদি ষ্টেটকী ফোর্স কয়াসু দিপ্লোয় তৌদুনা থল্লি। চীংগী মফম খরদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা এক্টেক্ট তৌরকপা য়ানা লৈরে হায়বগী পাউ ফংলবদি লৈঙাক্ত পাউ পীবিরকউ, লৈঙাক্লা কুকি মিলিটেন্টশিং অদুগা থেংনগনি। মণিপুর কায়বদি শুকয়া য়ারোই হায়বসিদি হান্নদগীসু হায়খ্রে, মণিপুর কায়হল্লোই হায়বসি লৈঙাক্কী লেংদ্রবা ফীরেপনি।

লৈঙাক অসি লাক্লবা হোৎনবদা কুকি লালহৌবশিংগী মতেং লৌই হায়নখিবদু অসামগী চীফ মিনিষ্টর মশামক্লা শেংদোকপগা লোয়ননা ফারগা এন এস এ পাল্লগনি হায়খ্রে। পিছ কম্মিটিগী ৱাফম অসি অমনা য়াদ্রবসু অমা হাপ্পুনা পিছ কম্মিটিগী থবক অদুমক তৌগনি। হায়ৱে থিংলিবসি ঐখোয়না ঈংনা তপ্পা থিংদনবা হান্না হায়গনি মদুদা য়াদ্রগনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা থৌদাং লৌদুনা থবক তৌগনি হায়হৌরে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সাহগা উন্দুনা ৱারি শান্নখিবা অদুদা রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবা, স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রত, বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরি, নোর্থ ইষ্ট ইনচার্জ সম্বিত পাত্র অমসুং ইন্টলিজেন্স ব্যুরোগী দিরেক্টর তপনকুমার দেকাসু শরুক য়াখি হায়রি।

## পোলিটিকেল পার্টি ১০না শীন্দুনা দেল্লীদা 'নেসনল কনভেন্সন...

*লামায় ১গী মখা...* প্রসিদেন্ট এস ইবোয়াইমা, সিব সেনা (উধব থাক্রে) গী ষ্টেট প্রসিদেন্ট টি দেবানন্দ, এ এ পি মণিপুরগী কোওর্দিনেটর এস বঙ্কিমচন্দ্র অমসুং আর এস পি মণিপুরগী কাংজম মনোরঞ্জননা ওইখি।

মীফম অসিদা ৱা ঙাঙখিবশিংনা মণিপুরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী, সী পি এমগী পোলিটব্যুরো মেম্বর নিলোটপাল বাসু, সী পি আইগী জেনরেল সেক্রেটরি দি রাজা, আই এন সীগী জয়রাম রামেস, জে দি -য়ুগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি অফক অহম্মদ অমসুং পার্টি অসিগী রাজ্য সভাগী এম পি অনিল হেগড়ে অমদি আর এস পিগী সেক্রেটরিএট মেম্বর আর এস ধাগর য়াওখি হায়রি।

কনভেন্সন অসিদা ৱা ঙাঙখিবা তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংগী মীহুৎশিংনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিক্লবা ফীভম অসিগী মতাংদা কূপ্না খন্নখি। লোয়ননা মতৌ করম্না ফীভমশিং অসি লাকশিন্দুনা মণিপুরদা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা, তংদু লৈতাবা ফীভম পুরক্নদগে হায়বগী মতাংদসু মরী লৈনবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখি।

মীফম অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নরবা মতুংদা ৱারেপ মরি লৌখি হায়রি। ৱারেপশিং অদুদি হৌজিক মণিপুরদা ওইরিবা ফীভম চপ চানা য়েংশিন্নবা নেসনল পোলিটিকেল পার্টিশিংগী দেলিগেসন অমা মণিপুরদা থাবা অমসুং দেলিগেসন অদুনা য়েংশিল্লুরবা মতুংদা মখোয়গী রেকমেন্দেসন অমা য়ুনিয়ন লৈঙাক্ত পীশিন্দুনা মণিপুরগী ৱাথোকশিং লোইশিন্নবা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎহনবা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন মশামক্লা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি লাকশিনবা ঙমদ্রে হায়খ্রবনিনা ষ্টেট অসিদা ঈং-তপ্পা অমসুং মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিলহন্নবগীদমক মহাকপু শোয়দনা চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী লৌথোকপা, নুমিৎ অদুদা লৈবাক শিনবা থুংনা 'পিছ ইন মণিপুর' হায়বা ৱাখল্লোন্দা সোলিদরিটি দে পাঙথোকপা অমসুং ৱাখল মান্নবা পার্টিশিং - এ এ পি, এ আই এফ বি, এ আই টি সী, সী পি আই, সী পি এম, আই এন সী, জে দি-য়ু, এন সী পি, আর এস পি অমসুং সিব সেনা (উধব থাক্রে) না অমত্ত ওইনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্ত্রিবা ফাওবা মণিপুরগী মীয়ামগা খূৎশম্ননা থবক পাঙথোকমিন্নবা হায়বসিনি।

ৱারেপ মরি অসি ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম্না য়েৎনদনা লৌখিবগা লোয়ননা হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাংদা মীওই ১৩০ হেনবগী পুন্সি মাঙখিবগীদমক ঙসিগী মীফমদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনট অমা তূমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি হায়রি।

## গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুরদগী অসাম...

*লামায় ১গী মখা...* ইমবেলেন্স কায়রল্লোই। লোয়ননা মখা তাবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোক্লল্লোই হায়রি।

মণিপুরদা চঙশিল্লক্লিবা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং অসিগী মরু ওইবা মথৌদি গোল্ডন ত্রাইএঙ্গলদগী ময়াই কাবা পোপিগী পোথোকশিং লল্লোন ইতিক তৌবনা মরু ওইবা মখোয়গী শিনফমনি হায়বসি মালেমদা খঙনরবা ৱাফমনি। মসিবু ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা অমদি অতোপ্পা লৈবাক কয়াদা য়ৌনবগী পুথোক পুশিন তৌবদা এ আরগী কর্নেল বুরারি (১৯৯৮-৯৯), মণিপুর পুলিসকী পর্সনেল অমগা এ আরগী জৱান লেটমিং হাওকিপ অমদি থাংখোগিন হাওকিপ অমসুং ৩৯শুবা এ আরগী কম্মান্দেন্ট জ সজিৎ সিংহ, মিজোরাম পুলিস, অসাম পুলিসনা ফাখিবগী থৌদোক লৈখ্রবনি। মরম অসিনা এ আর অমদি ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট নার্কো টেররিষ্টশিংগা অনকপা মরী অমা লৈরব্রা হায়বসি মীয়াম্না অচৌবা ৱাহং অমা ঙসি ফাওবা হংদুনা লাক্লি। ঙসিমকসু এ আরনা চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং লাকশিন্দুনা মণিপুরগী মীচম মীয়াম ঙাক শেনবগী মহুত্ত খূৎলায় পায়বা চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংদা মতেং পাংদুনা মীচম মীয়াম্বু অৱাবা তাহনবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী নেসনল সিক্যুরিটিদা চাউনা অকায়বা পীরি। মসিদা নত্তনা এ আরগী থৌওং অসিদগী মণিপুরগী মীচম মীয়াম্না সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংদা থাজদবগী ৱাফম অমসু নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি।

হায়রিবা থৌওংশিং অসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা হেন্না কূপ্না খঙলম্লগনি খল্লি। মরম অদুনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুরদগী এ আর লৌথোকপীখ্রো অদুগা মণিপুর মীয়াম্না থাজবা থমগদবা অমসুং নেসনল সিক্যুরিটি কায়হল্লোইদবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং মণিপুরদা মথৌ তৌহনবীয়ু হায়রি।

ইন্দিয়াগী সিটিজেন ওইরিবা মণিপুরগী মীয়াম মরু ওইনা মীতৈশিংনা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা থাজবা থমদ্রিবসি য়াম্না লুবা ইন্দিয়াগী লৈঙাকপশিং, মণিপুরগী লৈঙাকপশিংনা খঙগদবা ৱাফমনি। মচানা মমা মপাগী মনাক্ত চঙবা কিরক্লবদি করি তৌগনি হায়বসি মমা মপানা খঙগনি। মচাশিংদি খঙবা ঙম্লোই। মরম অদুনা ঐখোয়বু ঙাকপী শেনবীগদৌরিবা লৈঙাক অমদি লৈঙাক্কী লান্মীশিংবু মীয়ামদা থাজহনবা হায়বসি লৈঙাক অমদি লান্মীশিংগী থৌদাংনি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা লৈঙাক অমদি মাগী লান্মীশিংনা মীচম মীয়ামদা ওনশিনবীগনু। লন্নাই ত্রান্সপোর্ট এজেন্সীশিংনা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং হোন্দোক হোঞ্জিন তৌরিবা অসিগা লম্বী লমজাওদা ইমা ইবেল মৈরা পায়বীশিংনা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং লাকপ্রা হায়দুনা চেক তৌরিবা অসিগা য়েৎনবা, উংখৎনবা থোরক্তুনা লন্নাই ত্রান্সপোর্ট এজেন্সী অমদি লন্নাই গাড়ী শানবশিংগা ইমা ইবেলশিংগা নুংঙাইনদবা থোরকপা য়াই। মরম অসিনা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া থোরক্তুনা ঐখোয় মশেল কায়নরক্তুনা ঙসি চঙশিল্লক্লিবা ঈহৌ অসি অরানবা মায়কৈ অমদা চৎখিদনবা লন্নাই ত্রান্সপোর্ট এজেন্সীশিংনা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং হোন্দোক হোঞ্জিন তৌবগী থবক খুদক্তগী লেপকদবনি হায়রি।

## কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি...

*লামায় ১গী মখা...*থৌবাল দিষ্ট্রিক্তনা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তনা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি। ককচীং দিষ্ট্রিক্তনা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি। অদুম ওইনমক সেরৌগী ওইনদি কর্ফিয়ুগী অথিংবা কোমথোক্লোই হায়রি।

HUMAN RESOURCE CONSULTANCY
Keishampat Opp. Tiddim Oil Pump
Estd. 2006
STUDY MBBS IN INDIA
• BANGLORE
• DELHI NCR
• UTTAR PRADESH
• RAJASTHAN
• CHENNAI
• WB, PUNE
Get ADMISSION at low budget just NEET eligible mark at top colleges
Study MBBS at abroad
Bangladesh
Kyrgyzstan
Kazakhstan
Uzbekistan, China
PG, MD, MS, MDS
BDS : low budget
BAMS, BHMS
Engineering, BBA, BCA
CA (Chartered Accountant)
Paramedical, Hospitality
B. Pharm, B.Com, Bio-Tech
B-LLB, BA, B.SC, Agri,
B.V.Sc.A.H. (Veterinary)
BNYS ( Yoga), Nursing.
Contact Nos. 8794758218 | 7085612861
HL-P/4435/11-25/6

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 89.553697 |
| US Dollar | 81.995872 |
| British Pound | 104.252655 |
| Australian Dollar | 54.814148 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.422272 |
| Japanese Yen | 0.570582 |
| Malaysian Ringgit | 17.538290 |
| Singapore Dollar | 60.652503 |
| South Korean Won | 0.062647 |
| Saudi Arabian Riyal | 21.865566 |
| Thai Baht | 2.327083 |

### GAS NEWS

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
**Booking - Upto date.**
Office Contact No. 9362654114.
Time 8:30 to 12:00 . Available 19kg and 5kg.
**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 30/05/2023
**BOOKING UPTO: 02/06/2023**
TIMING: 7:00 AM to 10:00 AM(Temporary).
For Home delivery:Please contact through Calls/SMS/ Whatsapp-9863576002
Timing: 9:00 am to 12:00 pm

SKY HOSPITAL
24/7 EMERGENCY SERVICE
Premier Heart Hospital of Manipur
RIMS Road, Imphal West-795004
Upcoming Special Heart Surgery / RF Ablation / Device Closure / PCI Sessions

| DATE | PROCEDURES | BOOKING STATUS |
|---|---|---|
| 6th July, 2023 | EPS \| RF Ablation/PCI/Device Closure etc. | Booking Ongoing |
| 13th July, 2023 | Heart Valve Balloon Dilation/Cath Study/Device Closure etc. | Booking Ongoing |
| 21st July-23rd July, 2023 | Open Heart Surgery/ Valve Replacement/ By-pass CABG etc. | Booking Ongoing |

• Available 24 Hours Emergency Treatment of Heart Attack & Collapse.
• OPD Consultation (8:00 am to 4:00 pm)/Sunday: Emergency only.
• Avail the benefits of CMHT, PMJAY & RBSK Card holders at the time of treatment.
For details, please contact: 8415934236 / 8415938207
SKY Hospital
*Term & Condition apply.
HL-B/8191/26

### খঙহঞ্জরি

Women Development Association (WDA) Yurembam Thong Makha অমদি Maning Leikai অসিনা কোনবা মফমদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অসিনা মরম ওইরগা WDA না কোনবা মফমদা Microfinance, মরুপ, শেন্দোই অমদি লোন থীবা খুদিংমক ঙসিদগী লৈকাই অসিদা মতম খরা লেপ্পীনবা হায়জরি।

Sd/- **1. Y. Sobita**
President, Women's Development Association
Yurembam Thong Makha Leikai
**2. Ng. Latamani Devi**
Secretary, Women's Development Association
Yurembam Thong Makha Leikai
HL-P/6948/26

চাংয়েং

JOB FOR X AND XII PASS

"NO DEPOSIT REQUIRED"

Manipurgi manungda oigadaba houjik houjikmak darkar oiriba tongan-tonganba official staff 41 (Male-25/Female-16) gidamak candidate singdagi athubagi oina thabak koujari. Mashagi chahi 30 gi manungda leiba Class X and XII amasung Graduation tamliba meeoisingna thabak ashi apply toubiraba yagani.

**Earning : Rs. 5000 to Rs. 35,000 (PM)**
**Facilities : Lodging + Fooding + Free tour**

Apply toubiningba singna eshagi Biodata ga loinana office ta lakpiyu.

**Contact : 8837369704 9612726126**
HL-P/4446/26

### লৈখিদবগী ৪৫রকশুবা কুমওন

*"ঐখোয়গী থৱায় অসি করিগুম্বা খূৎলায় মখল অমত্তনা মাঙহনবা ঙমদে, মৈনা চাকথেক্তুনা নত্ত্রগা ঈশিংনা ফনা চামথোক্তুনসু মহাকপু কৈদৌনুংদা মাঙহনবা ঙমদে"।*
ভগৱৎ গীতা : ২/২৩



মাইস্নাম মঁনিহল সিংহ
(লৈখিদবা জুন ২৬, ১৯৭৮)

ঐখোয় খ্বাইবু কোনবিরম্বা মাইস্নাম মঁনিহল সিংহ অসি হৌগৎলক্লিবা মীরোলশিংদা মহৈগী মৈরা চুখৎপা পামজরম্বা মীশক্লি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতমদা লান চেন্দুনা লংথবালদা লৈবা মতমদা শঙ্গোয় মচা অমদা লাইরিক তম্ফম শেমদুনা অকোয়বদা লৈবা অঙাংশিংবু লাইরিক্কী মঙাল উহনবীখি। মতম অদুদা মহাক্লা মহৈগী মঙাল পীবীরম্বা মহৈরোয় কয়া লমদম অদুগী শক্লাইরবা মীশক ওইখি। লান হঞ্জিল্লক্লবা তুংদা চীংঙামখা রমনি স্কুল (হৌজিক্লা চীংঙামখা হায় স্কুল) দা ওজাগী শিনফম পুদুনা পূন্সিগী অরোইবা মীকুপ ফাওবা লৈখি।

ঙসি জুনগী তাং ২৬ অসিদা বাবা নঙনা ঐখোয় পূন্নমকপু থাদোক্তুনা শ্রী শ্রী রাধা বিনোদলালগী খূয়াখাদা চঙজখিবা চহী নিফু মঙা মপূং ফারক্লে। অদুবু নচা-নশু ওইরিবা ঐখোয়গী থম্মোয়নুংদা নহাক্তি অদুম্মক লেংদনা লৈরি অমসুং মতম চুপ্পদা লৈখিগনি। লাইরমলেনদগী ঐখোয়বু মতম চুপ্পদা অফবা থৌজাল পীনবীয়ু।

নীংশিংজরিবা ঃ
মাইস্নাম ওংবী রাজকুমারী সনাতোম্বী দেবী (মমৌ অহল)
মাইস্নাম মানস সিংহ (মশু অহল)
অমদি ইমুং-মনুং
চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকাই, ইম্ফাল।
HL-P/6945/26

### অৱাবা ফোঙদোকপা



Cosmopolitan Dramatic Union, Kongba গী Senior Actor ওইবিরম্বা শ্রী য়াইখোম অঙৌবা (চহী ৫৬), লৈফম খাগেমপল্লি, মশাগী অনাবা অমদগী হৌখিবা জুনগী তাং ২৩, ২০২৩ ইংদা লৈখিদ্রে। মহাক্লা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা Cosmo Drama গী মেম্বরশিংনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। শ্রী অঙৌবা, শক ১৯৯০ দগী Cosmo গী Actor অমা ওইরকখি। State অমসুং National গী থাক্ত পাঙথোকপা Drama Festival কয়াদা শরুক য়াখি। হৌখিবা এপ্রিলগী তাং ১, ২০২২ ইংদা Kalidash Natya Akademi, Ujjain, Madhya Pradesh তা পাঙথোকপা National Drama Festival দা Cosmo না উৎখিবা "Maharaj Vikramaditya" মীংথোনবা Drama দা Actor অমা ওইনা শরুক য়াখিবনা মহাক্কী পূন্সিগী অরোইবা Drama Performance ওইখি। মহাক্লা লৈখিদবসিনা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা Actor গী অহাঙবা অমা লৈহৌরগনি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং মপুগী লৈকোন্দা ঈংনা-চিক্লা তিনবা ওইরসনু।

HL-P/6944/26
Sd/- **Secretary, CDU**

Aerovillage Institute
OF SCIENCE, ARTS & SPORTS
Ningombam Road, Aiport Mamang
ADMISSION NOTICE for
Class XI & XII Sc. & Arts
SILIENT FEATURES Freeship & Scholarship

| Marks | Monthly Scholarship | Other Facilities |
|---|---|---|
| 80% & Above | Sp.Scholarship | Laptop + Learning Kit |
| 70% & Above | Rs. 1500/M | Free Learning Kit |
| 60% & Above | Rs. 1000/M | Free Learning Kit |
| 50% & Above | Rs. 800 /M | Free Learning Kit |

Below 50% Students Rs.1000 /m Academic Fee only + Free Text Books
FREE Bus Services form Moirang to Ai Campus for Day- Boarding Students
FREESHIP for Students in Relief Camp, Orphan & PWD.
LAST DATE OF COUNSELLING & ADMISSION 26-Jun.,23
HL-P/6950/26

SACRED HEART HR. SEC. SCHOOL
POROMPAT, OPP. D.D.K., IMPHAL
ADMISSION OPEN FOR CLASS XI (SC. & ARTS) 2023
SPECIAL FACILITIES :
1. 85% and above : Free Admission Fee & Tuition Fee + a set of uniform + Book grant + Scholarship.
2. 80% and below 85% : Free Admission Fee & Tuition Fee + Book grant
3. 75% and below 80% : Free Admission Fee & Tuition Fee.
4. 60% and below 75 : Free Admission Fee.
5. Free School bag for every student.
6. Special concession to admission fee for class XI for the session 2023-24.
7. Separate Hostels for boys and girls.
★ FREE ADMISSION FOR FIRST 50 STUDENTS FOR ARTS STREAM BELOW 60%
HL-P/6946/26,28,30